# চাইনাগী সিটি ৭০ হেনবদা লৈরিবা মীওই মিলিয়ন ৩০০ হেন্না কোভিদ লোকদাউনগী চৈথেং নঙলি



হোংকোং, সেপ্টেম্বর ৫ (এজেন্সী): চাইনিজ লিদর সি জিনপিংগী অহুমশুবা টার্ম হৌদ্রিঙৈগী মাঙওইননা লোকেল ওথোরিটিশিংনা অঙন্বা থাক্তা কোভিদ ইনফেক্সনশিং মুথৎনবা হোৎনরকপগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী সিটি ৭০ হেনবদা লৈরিবা মীওই মিলিয়ন ৩০০ হেন্না কোভিদ লোকদাউনগী চৈথেং নঙলে হায়না মেদিয়া রিপোর্টশিংদা হায়রি।

রিপোর্টশিং অদুনা হায়, হৌখিবা ওগষ্ট ২০ দগী পুন্না মীওই মিলিয়ন ৩১৩ লৈরিবা সিটি ৭৪ দা লোকদাউন থমদুনা সিটি অপুন্বশিং অদুগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরিবা মীয়াম্না মদুগী চৈথেং মায়োক্নরি। হৌজিক হৌজিক লোকদাউন থল্লিবা সিটিশিং অদুগী মনুংদা প্রোভিন্সিএল কেপিটেল ১৫ অমসুং প্রোভিন্সিএল-লেভেল ম্যুনিসিপালিটি অমা ওইরিবা টিয়াঞ্জিন য়াওরি।

লোকদাউনগী অথিংবা অয়াম্বা সিটিশিং অদুদা লেপ্তুনা চৎনরি। চাইনিজ ফাইনান্সিএল মেগাজিন কাইসিনগী মতুং ইন্না লৈবাক অসিগী সিটি ৩৩ দা হৌজিক পার্সিএল নত্রগা ফুল লোকদাউনশিং থল্লি। এক্সপার্টশিংগী মতুং ইন্না লাক্লিবা চয়োল খরা অসিদা অতৈ সিটি কয়াদসু লোকদাউন থল্লকপা য়াই।


চাইনানা জিরো-কোভিদ পোলিসি চৎনহন্দুনা অকনবা অথিংবশিং য়াওবা লোকদাউন থমদুনা মীয়ামগী পুন্সি অমদি বিজিনেসশিংদা অয়েৎ অপন থোকহল্লিবসি মালেমগী মফম অয়াম্বদা সোসাইটিশিংনা কোভিদ ভাইরসকা লৈমিন্নবদা য়ান্নবদগী মহৌশাগী পুন্সি মহিংদা হঞ্জিল্লকপগী ফিভম লাক্লিবা অসিদা তাইওন্নরি হায়না সি এন এনগী রিপোর্টনা হায়রি।

তৌইগুম্বসুং জিরো-কোভিদকী পোলিসি অসিনা মীওই কয়াগী পুন্সি কনবা ঙম্লি হায়না চাইনিজ ওথোরিটিশিংনা ক্লেম তৌরি। চাইনাদা লায়না অসিবু লাকশিন্নবগী অথিংবশিং কোমথোকপদা খুরৌ ওইরিবসি অলল ওইরবশিংনা ভেক্সিন কাপ্পগী চাং নেম্বা অমদি রুরেল হেল্‌থ কেয়র মতিক চাবা ৱাৎপা অসিনা হেল্‌থ ওফিসলশিংনা ফোঙদোক্লি।

চাইনিজ পব্লিক হেল্‌থ এক্সপার্টশিংনা হায়রি, মদুদি পোলিটিকেল ফেক্তরশিংনসু কোভিদকী অথিংবশিং লৌথোকপদা অয়েৎ অপন পীরি। লৈবাক অসিগী জিরো-কোভিদ ষ্ট্রেটেজিবু কন্না শৌগৎলিবা লুচিংবা সি জিনপিং ওক্তোবর ১৬ তগী হৌগদৌরিবা ২০ শুবা কংগ্রেস পার্টিদা মখা তানা চহী মঙাগী টার্ম অমগসু লৈবাক অসিগী টোপ লিদর ওইনা খনগদৌরিবনি।

মহাকপু মখা তানা টার্ম অমগসু লুচিংবা ওইনা খনগদৌরিবসি লৈবাক অসিদা অচৌবা সেলেব্রেসনগী রেকোর্দ ওইরগদবা পুংফম ওইরগনি। পার্টিগী খ্বাইদগী চাওবা মায় পাকপগী পুংফম অসিদা চাইনিজ ওথোরিটিশিংনা কোভিদকী কেসশিং হেনগৎলকপগী মওংদা মালেমদা অকিবা রেকোর্দ অমা উৎপা পামদ্রিবনি। কাউন্সিল ওন ফোরেন রিলেসনদা গ্লোবেল হেল্‌থকা মরী লৈনবা সেনিয়র ফেলো অমা ওইরিবা য়াংজোং হুৱাংনা হায়, পার্টিনা হৌজিক্কী ফিভম অসিদা চাইনিজ সোসাইটিগী তং তাবগী ফিভমদা অকায়বা পীগদবা অমদি লিদরশিপ ট্রাঞ্জিসন প্রোসেসতা অমকপা মমি অমা উহনগদবা মওংদা লায়না অসিগী লাইচৎ ওইনা চাওথোকহনবা পাম্লি।

# ওষ্ট্রেলিয়াগী ক্লাইমেট হেল্‌থ এক্সন প্লান অমা খুদক্তা রিলিজ তৌনবা মেদিকেল ওর্গনাইজেসন গ্রুপনা গভর্ণমেন্টদা তকশিনখ্রে



কানবেরা, সেপ্টেম্বর ৫ (এজেন্সী): ওষ্ট্রেলিয়াগী ওইবা ক্লাইমেট হেল্‌থ এক্সন প্লান অমা খুদক্তা রিলিজ তৌনবা লৈবাক অসিগী টোপ মেদিকেল ওর্গনাইজেসনশিংগী ওইবা গ্রুপ অমনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ওষ্ট্রেলিয়ন গভর্ণমেন্টদা তকশিনখ্রে।

ওফিসল ষ্টেটমেন্ট অমদা হেল্‌থ অমসুং মেদিকেল ওর্গনাইজেসন ৪০ হেনবগী ক্লাইমেট এন্দ হেল্‌থ এল্লায়ন্স (সি এ এইচ এ) না চেকশিনৱা খঙহল্লদুনা হায়খি, মদুদি ওষ্ট্রেলিয়াদা ঈশিং ঈচাও অমদি লাম্মৈ চাকপগী থৌদোক তোইবা হেনগৎলকপা অসিনা লৈবাক অসিগী হেল্‌থ সিষ্টেমদা প্রেসর চাওনা পীরি।

কানবেরাদা পাঙথোক্কদবা ব্রেটর ফ্যুচর ফোরমগী মীটিংগী মাঙওইননা হেল্‌থকী লিদরশিংনা হায়খি, মদুদি মখোয়না নেসনেল ক্লাইমেট হেল্‌থ প্লান্টকা মরী লৈনবা মরু ওইবা ইস্যুশিং খন্নগনি।

সি এ এইচ এগী ফাউন্দর ফিওনা আমষ্ট্রোংনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি ক্লাইমেট চেঞ্জনা ওষ্ট্রেলিয়ন কয়া শিহনবা হৌখ্রবনি। মসিনা লৈবাক অসিগী হেল্‌থ সিষ্টেম অমদি হেল্‌থ প্রোফেস্নেলশিংদা পীরিবা প্রেসর অসি অদুক্কী মতিক চাওই। মসি মালেমদা শাথিরবা লায়না লাইচৎ অমা কন্না শন্দোক্লিঙৈ মরক্তো থোক্লিবনি।

আমষ্ট্রোংনা মখা তানা হায়খি, মদুদি ক্লাইমেট চেঞ্জকী শোইফদ্রবা ইফেক্টশিংদগী ঐখোয়গী হেল্‌থ সিষ্টেম অমদি মীয়াম্বু ঙাকথোক্নবগীদমক ঐখোয়না সজেসন কয়া পুথোক্লে। সি এ এইচ এগী মেম্বরশিং অদুদা ওষ্ট্রেলিয়ন মেদিকেল এসোসিএসন (এ এম এ), রোয়েল ওষ্ট্রেলেসিয়ন কলেজ ওফ ফিজিসিয়ন (আর এ সি পি) য়াওরিবনি।

আর এ সিপিগা লোয়ননা সাইক্লোজিষ্টশিং, নর্সশিং অমসুং মিদৱাইফশিংগী বোদিশিংসু য়াওরি। মখোয়না ৱার্নিং তৌরি, মদুদি কুমজা ১৯৯১ অমসুং ২০১৮ গী মরক্তা কা হেনবা টেম্পরেচরনা মরম ওইদুনা সিদনি, মেলবোর্ন অমসুং ব্রিসবেন হায়রিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী খ্বাইদগী চাওবা সিটি অহুম অসিদা মীওই লিশিং অহুম শিখি। চহী অসিগী ঈশিং ঈচাও খক্তদা মীওই ২৩ শিখ্রে। মদু লৈবাক অসিগী নোংপোক থংবা সমুদ্র খোঙবানদা চয়োল অহুম নোং কন্না চুবদগীনি। কুমজা ২০১৯-২০ দা থোকখিবা মাঙ তাকপগী মশক ওইরবা ব্লেক সম্মর বুস ফায়রশিংদা মীওই হকথেংননা মৈ চাকপদা শিখি অমদি অতৈ মীওই ৪৪৫ না মৈখু হোঞ্জিনবদগী শিখি।

মৈখু হোঞ্জিনবনা মরম ওইদুনা হোস্পিটলাইজ তৌখিবা মী মশিং লিশিং অহুম হেনখি। আর এ সিপিগী প্রসিদেন্ট জকেলিন স্মোলনা হায়খি, মদুদি লৈবাক অসিগী ডাক্তরশিং, ক্লাইমেট হেল্‌থকা হ্যুমেন হেল্‌থকা লৈনরিবা মরী মুন্না খঙই। মসি মরু ওইনা ঐখোয়গী পেসেন্টশিং অমদি হেল্‌থ ইমর্জেন্সিশিংদা মাঙজিল থাদুনা মথৌ পাঙথোক্লিবা ষ্টাফ মেম্বরশিংদা ক্লাইমেট চেঞ্জকী চৈথেং নঙলিবদু ঐখোয়না খঙবদগীনি।

হেল্‌থ অমসুং ক্লাইমেট পোর্টফোলিওশিং পুল্লগা মিনিষ্ট্রিএল কনফরেন্স অমা পাঙথোক্নবা লৈবাক অসিগী হেল্‌থ লিদরশিংনা গভর্ণমেন্টদা আপিল তৌখ্রে। মখোয়না ক্লাইমেট চেঞ্জনা হেল্‌থ অমসুং শেল থুমগী থবক থৌরমশিংদা থোকহল্লিবা অমাঙ অতাশিং রিভিয়ু তৌননবা অমদি হেল্‌থ সেক্তরবু লমজিং লমতাক্নবগীদমক্তা দিপার্টমেন্ট ওফ হেল্‌থতা সষ্টেনেবল হেল্‌থ দিভিজন অমা লৈহন্নবা তকশিনখি।

## ইরাক্তা মীখল ঙন্না পাঙথোক্নবা পার্লিয়ামেন্টকী স্পিকরনা আপিল তৌখ্রে

বাঘদাদ, সেপ্টেম্বর ৫ (এজেন্সী): মীখল ঙন্না পাঙথোক্নবা তোঙান তোঙানবা ইস্যুশিংগী মতাংদা য়ান্নবা পুরক্নবা ইনৌ নৌনা ৱারী শান্নবা ইরাক্কি পার্লিয়ামেন্টকী স্পিকর মোহম্মদ অল-হলবৌসিনা পার্লিয়ামেন্টরি ব্লোকশিংদা আপিল তৌখ্রে।

ষ্টেটমেন্ট অমদা অল-হলবৌসিনা হায়খি, মদুদি লাক্কদৌরিবা নেসনেল দাইলোগ রাউন্দশিংগী এজেন্দাদা পার্লিয়ামেন্টরি অমদি প্রোভিন্সিএল কাউন্সিলগী মীখলশিং কুমজা ২০২৩ গী অরোইবদগী হেন্না থেংথদনা পাঙথোক্নবগী মতম অমা লেপ্পা য়াওনা মরু ওইবা ইস্যুশিং য়াওগদবনি।

মহাক্না রিপব্লিক অসিগী প্রসিদেন্টগী মীখল, মপুং ফাবা পৱারশিংগা লোয়ননা গভর্ণমেন্ট অমা শেম্বা, চহীগী ফেদরেল বজেট য়ানবগী মতাংদা খন্ননবা পার্লিয়ামেন্টরি ব্লোকশিংদা তকশিনখি। লোয়ননা মহাক্না মরু ওইবা লো কয়া এমেন্দ তৌননবসু তকশিনখি।

এজেন্সিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না মহাক্না ময়ুম মকৈ থাদোক্নখিবশিংবু ময়ুম ময়ুমদা খুদক্তা হল্লক্নবগী ৱাফম অমদি বাঘদাদ অমসুং সেমি-ওটোনোমস রিজন কুর্দিষ্টানগী মরক্তা লৈনরিবা মরীগী মতাংদসু খন্ননবা তকশিনখি। লোকেল মেদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না ইরাক্তা থা কয়া চুপ্পা পোলিটিকেলগী লৈখায় তাদবা ফিভম অমা লৈরক্লিবদু খন্ননবা ইনৌ নৌনা নেসনেল দাইলোগ চথনবা ইরাক্কি প্রাইম মিনিষ্টর মুষ্টাফা অল-কাদিমিনা পোলিটিকেল পার্টিশিংদা ইনভাইট তৌরগনি।

লৈবাক অদুগী পোলিটিকেল ক্রাইসিস অদুগী সোলুসন অমা পুথোক্নবগীদমক্তা হৌখিবা ওগষ্টতা অল-কাদিমিনা ইনভাইট তৌদুনা ইরাক্কি পোলিটিকেল পার্টিশিংগী ওইবা দাইলোগ রাউন্দ অমা পাঙথোকখি। তৌইগুম্বসুং মশক নাইরবা সিয়াদ ক্লারিক মোক্তাদা অল-সদরগী দাইলোগ মীটিংদা অদুদা শরুক য়াখিদে।

হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা ইরাক্তা অল-সদর অমসুং সিয়া পার্লিয়ামেন্টরি পার্টিশিংগী অম্ব্রেলা গ্রুপ অমা ওইরিবা সিয়া কোওর্দিনেসন ফ্রেমৱার্কতা য়াওরিবা মহাক্কী রাইভেলশিংগী মরক্তা পোলিটিকেল টেন্সন হেনগৎলকখিবনি। হৌখিবা থা খরা অসিদা সিয়া পার্টিশিংগী মরক্তা লেপ্তুনা য়েৎনবদগী অনৌবা ইরাক্কি গভর্নমেন্ট অমা শেম্বদা অপনবা ওইখি।

## ‘নোংচুপলোম্না ন্যুক্লিয়রগী এগ্রিমেন্ট থিন্থদুনা লৈরবদি ইরাননা অতৈ ওপশনশিং খন্নরগনি’



টেহরান, সেপ্টেম্বর ৫ (এজেন্সী): ইরানগী সেনিয়র লো মেক্কর অমনা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংদা ন্যুক্লিয়র এগ্রিমেন্ট অমা পুরক্নবা হোৎনবদা থিন্থদুনা লৈতনবা আপিল তৌখিবগা লোয়ননা করিগুম্বা অদুগুম্বা এগ্রিমেন্ট অমা পুরকপদা নোংচুপলোমনা মখা তানা থিন্থদুনা লৈবা তারবদি ইরাননা অতৈ ওপশনশিং খন্নরক্কনি হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে।

ইরানিয়ন পার্লিয়ামেন্টগী নেসনেল সেক্যুরিটি এন্দ ফোরেন পোলিসি কম্মিসনগী মেম্বর অমা ওইরিবা মহমুদ অবাজাদে মেস্কিনিনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ওফিসল ইনা ন্যুজ এজেন্সিদা হায়খি, মদুদি ইরানগী নেসনেল ইন্টরেষ্টশিংদা অকায়বা থোকহন্দনবগীদমক্তা পার্টি পুন্নমক্না য়ান্নবা এগ্রিমেন্ট অমা পুরকপা হায়বসি য়াম্না মথৌ তাই।

নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা ইরানদগী হেন্না নিগোসিএসন চথবা মথৌ তাই। করিগুম্বা নোংচুপলোম্না ন্যুক্লিয়রগী ৱাফম অসিদা য়ান্নবা অমা লাকহন্দবা তারবদি ঐখোয়না খন্নগদবা অতৈ ওপশন কয়া লৈরি। হিরম অসিগী মতাংদা ইরানগী খুৎ হাংলগা লৈতে।

লো মেক্কর অসিনা মখা তানা হায়খি, মদুদি ইরানগী অনিংবা অপান্বশিং থুংহন্দবা অমদি ইরানিয়নশিংগী অপান্বশিংদা পনখৈ লৈহনবা এগ্রিমেন্ট অমত্তো ইরানিয়ন নেসন্না য়াবা ঙম্লোই। সেফগার্দ ইস্যুশিংগা মরী লৈনবা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা মহাক্না হায়খি, মদুদি সেফগার্দকী ইস্যুশিং অসি সোল্ভ তৌবনা ইরান অমসুং নোংচুপলোমগী মরক্তা অমুক হন্না থাজনবা পোকহনগনি।

ইন্টরনেসনেল এটোমিক ইনর্জি এজেন্সি (আই এ ই এ) না মমাঙদা ইরানগী ন্যুক্লিয়র সাইটশিংদা য়ুরেনিয়মগী মচিৎ মখাকশিং ফঙখি হায়খিবদু পোলিটিকেল ইথিল য়াওবা ৱাফম্নি হায়না ইরাননা মমাঙদা তোইনা ফোঙদোকখ্রবনি। ন্যুক্লিয়র ৱাটচদোক অসিগী রিপোর্টশিং অদুবু য়ানিংদবা উৎপগা লোয়ননা অসিগুম্বা কেস অসি খুদক্তা থিংজিনবগা লোয়ননা ওফিসল ওইনা জোইন্ট কম্প্রিহেন্সিব প্লান্ট ওফ এক্সন (জেসিপিওএ) হায়না খঙনবা কুমজা ২০১৫ গী ন্যুক্লিয়র দিল হিংগৎহনগদবনি হায়না ইরাননা দিমান্দ তৌখিবনি।

জেসিপিওএবু অমুক হন্না হিংগৎহনবগী মতাংদা লৈরিবা ইস্যুশিং লৈখায় তাথোক্নবগী পান্দমদা হন্দক্তা ইয়ুগী মায়কৈদগী পুথোরকখিবা প্রপোজেল অমগী মতাংদা ইরান অমসুং য়ুএসনা নাকোয়ননা অৱৈবা মতশিং ফোঙদোক্নদুনা লাক্লিবনি।

## চাইনাগী সিচুৱানদা য়ুহা হাবদা মীওই ২১ শিখ্রে, অফঘানিষ্টানদসু য়ুহা হাখ্রে



বৈজিং/কাবুল, সেপ্টেম্বর ৫ (এজেন্সী): নিংথৌকাবা নুমিত্তা চাইনাগী সিচুৱান প্রোভিন্সকী লুদিং কাউন্টিদা মেগ্নিট্যুট ৬.৮ য়ৌনা য়ুহা হাদুনা নিকখিবগা লোয়ননা য়ামদ্রবদা মীওই ২১ শিখ্রে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

গাঞ্জি টিবেটান ওটোনোমস প্রিফেকচরগী পিপলস গভর্ণমেন্টগী ইনফোর্মেসন ওফিসনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না য়ুহা অদুদা লন্বী, টেলি কম্যুনিকেসন অমসুং য়ুমশিং কয়া য়াম্না অমাঙ অতা থোকখ্রবগে হায়বসি য়েংশিল্লি।

প্রিফেকচর অসিগী ওথোরিটিশিংনা য়ুহা অদুনা শোকহল্লবা মফমশিংদা রেস্ক্যু ৱার্কর ৬০০ হেন্না থাখ্রে। ৱার্কর ৩০০ ইপিসেন্টর এরিয়াদা থুংখিবগা লোয়ননা রেস্ক্যুগী থবকশিংদা য়াওশিনখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা অমাঙ অতা থোক্লবা লন্বীশিং শেমজিন শাজিনখি। অমাঙ অতা থোক্লিবশিং অদু দ্রোনশিং শীজিন্নদুনা কুপ্পা য়েংশিনখি। য়ুহা অদুগা মরী লৈননা প্রোভিন্স অসিনা ইমর্জেন্সি রেস্পোন্সকী অনীশুবা খ্বাইদগী ৱাংবা লেভেল এক্তিভেট তৌখ্রে।

য়ুহা অদুগী ইপিসেন্টর অদু নোর্থ লেটিট্যুট দিগ্রি ২৯.৫৯ অমসুং ইষ্ট লোংটিট্যুট দিগ্রি ১০২.০৮ অমসুং অরুবনা কিলোমিটর ১৬ নি হায়না চাইনা আর্থক্কেক নেটৱার্ক সেন্টর (সিইএনসি) না ফোঙদোকখি। য়ুহা অদুনা ইপিসেন্টরদগী কিমি ২২৬ লাপ্না লৈরিবা সিচুৱানগী কেপিটেল চেংদুবুসু নিকহনখি।

অমরোমদা, অফঘানিষ্টানগী কুনার প্রোভিন্সতসু নিংথৌকাবা নুমিত্তা য়ুহা হাদুনা য়ামদ্রবদা মীওই তরুক শিখ্রে অমসুং অতৈ মীওই মাপন অশোক অপন নঙখ্রে।

টোপ ওফিসল অমনা ফোঙদোরকখিবদা রিক্তর স্কেলদা ৫.৩ ওইবা য়ুহা অদু অয়ুক পুং ২.৩০ রোম তাবা মতমদা থোকখিবনি। মদুনা লমদম অদুবু নিকহনখিবগা লোয়ননা নোর্গাল দিষ্ট্রিক্টকী মজলদারা এরিয়াদা মীওই তরুক শিখি অমদি অতৈ মাপনন অশোক অপন নঙখি হায়না প্রোভিন্সিএল ওফিসলশিংনা পাউমীশিংদা ফোঙদোরকখি।

চীংগী প্রোভিন্স অদুদা য়ুহা হাখিবা অদুদা য়ুম কয়া অমাঙ অতা থোকখি। চপ চানা মীওই কয়া শিখিবগে অমসুং য়ুম কৈ কয়া য়াম্না অমাঙ অতা থোকখ্রবগে হায়বদু লেপথোক্নবগীদমক্তা সর্ভে অমা চথবা হৌখ্রে। য়ুহা অদুগী ইপিসেন্টরনা য়ুমথংনরিবা নঙ্গহার প্রোভিন্সকী কেপিটেল জলালাবাদ সিটিগী অৱাংলোমদা কিলোমিটর ৩৮ লাপ্না লৈখি।

য়ুহা অদুনা অফঘান কেপিটেল কাবুলবুসু নিকহনখি। অফঘানিষ্টানগী পুৱারীদা থোকখিবা খ্বাইদগী শাথিবা য়ুহাশিংগী মনুংদা অমনা লৈবাক অসিদা মীশি মীনা অমদি অমাঙ অতা কয়া থোকহনখিবগা লোয়ননা থা খরা কান্নরগা য়ুহা অসি থোক্লক্লিবনি।

হৌখিবা জুন ২২দা মেগ্নিট্যুট ৬.২ য়ৌনা হাখিবা য়ুহা অদুদা পাক্তিকা অমসুং খোস প্রোভিন্সশিংদা য়ামদ্রবদা মীওই ১১৬৩ শিখি অমসুং অতৈ মীওই ৬০০০ হেন্না অশোক অপন নঙখি।

## ‘পাকিষ্টান গভর্ণমেন্টনা অপাম্বা আর্মি চীফ খন্ননবা হোৎনবদা মীখল থিন্থহল্লে’



ইস্লামাবাদ, সেপ্টেম্বর ৫ (এজেন্সী): পাকিষ্টানদা মীখল থিন্থদুনা লৈরিবদু রুল্লিং কোলিসন্না মখোয়গী অপাম্বা আর্মি চীফ অমা খন্ননবগীদমক্তনি হায়না লৈবাক অসিগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খাননা ফোঙদোকখ্রে।

হাইস্লাবাদতা পার্টিগী মীটিং অমদা সপোর্টরশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা পিটিআইগী চিয়ারমেনসু ওইরিবা পাকিষ্টানগী হান্নগী পিএম অসিনা হায়খি, মদুদি হৌজিক্কী গভর্ণমেন্ট অসিনা লৈবাক অসিবু শুপ্নগী থা মরিগী মতমদা মাঙহন তাকহল্লে।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি, মদুদি হৌজিক্কী গভর্ণমেন্ট অসি মসিগী মায়োক্তা লৈরিবা করপসনগী কেসশিং লোইশিন্নবগীদমক পৱার পায়রকখিবনি। মীখল ফ্রি এন্দ ফেয়র ওইনা পাঙথোকপা খক্তনা পাকিষ্টানদা পোলিটিকেলগী তং তাবা ফিভম লাকহনগনি হায়না পল্লদুনা খাননা হায়খি, মদুদি গভর্ণমেন্টনা মীখল থিন্থহন্দুনা লৈরিবসি লাক্লিবা নবেম্বরদা মখোয়না পামজবা আর্মি চীফ অমা খনবা য়ানবগীদমক্তনি।

হান্নগী পিএম অসিনা গভর্ণমেন্টবু মখা তানা চৈরদুনা হায়খি, মদুদি হৌজিক লৈরিবা গভর্ণমেন্ট অসি পাকিষ্টানগী খ্বাইদগী শোনবা গভর্ণমেন্টনি। আইএমএফকী মতুং ইন্না করপসন্না পাকিষ্টানগী শেল থুমগী ফিভম অদুক্কী মতিক শোক্লক্লিবসিগী মরু ওইবা হৌরকফমনি। মসিদা গভর্ণমেন্ট অসিনা তৌরিবদি শুপ্নগী থা মরিগী মনুংদা লৈবাক অসিগী ফিভম শেল থুম য়াওনা হিরম খুদিংমক্তা হেন্না শোকচিলহনবা অসিনি।

মখা তানা ইমরান খাননা হায়খি, মদুদি পাকিষ্টানদা ইনফ্লেসনগী চাং অদুক্কী মতিক ৱাংলে অমদি শেল থুমগী থবক থৌরম পুন্নমক লেপখ্রে। ৱাফস অসি ফোঙদোকপগা লোয়ননা হান্নগী পিএম অসিনা মহাক্কী মায়োক্তা লৌতুনরিবশিংনা লৈবাক অসিদা হুরানবগী লৈঙাক লৈহল্লে হায়না নৌহৌননা ফোঙদোকখি।

## ইন্দিয়াদগী রিফ্যুজিশিং হল্লকপদা খুদোংচানবা শ্রী লঙ্কাগী প্রসিদেন্টগী ওফিসনা কম্মিটি অমা শেমখ্রে

কলম্বো, সেপ্টেম্বর ৫ (এজেন্সী): ইন্দিয়াদা চেনখিবা শ্রী লঙ্কান রিফ্যুজিশিং মরু ওইনা চহী ২৬ চুপ্পা চথখিবা ইথনিক কনফ্লিক্ট মনুংদা চেনখিবশিং অদুবু লৈবাক অসিদা অমুক হল্লকপদা খুদোংচাহন্নবগীদমক প্রসিদেন্ট রানিল ৱিক্রেমেসিঙ্গেগী ওফিসনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা কম্মিটি অমা শেমখ্রে।

মতম শাংনা লানগী চৈথেং নঙখিবা শ্রী লঙ্কাগী অৱাং থংবা লমদমদগী চেনখিবা মাইনোরিটি তামিলশিংবু মওং মরিল তানা লৈবাক অসিদা অমুক হল্লকহন্নবগীদমক্তা প্রসিদেন্টগী সেক্রেটরি সমন ইকনায়েকেনা কম্মিটি অদু শেমখিবনি। কম্মিটি অদু লান অদুনা মরম ওইদুনা রিফ্যুজিশিং ওইনা ইন্দিয়াদা চেনখিবা শ্রী লঙ্কানশিং অদুবু লৈবাক অসিদা অমুক পুরক্নবা ওর্গনাইজেসন ফোর ইলাম রিফ্যুজিস রিহেবিলিটেসন (ওএফইআরআর) না হায়জবদগী শেমখিবনি।

প্রসিদেন্টগী ওফিসনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি গভর্ণমেন্ট দেটা অমদি রিপোর্ট খরগী মতুং ইন্না হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়াগী তামিল নাদুদা শ্রী লঙ্কান ৫৮,০০০ রোম রিফ্যুজিশিং ওইনা চঙজফম লৌদুনা লৈরি অমসুং মখোয়গী মনুংদগী শুপ্নগী মীওই ৩৮০০ লোমদমক হৌজিক শ্রী লঙ্কাদা হল্লক্নবা শেম শারি।

ইন্দিয়াগী হোম মিনিষ্ট্রিগী রেকোর্দকী মতুং ইন্না কুমজা ২০২১ ফাওবদা তামিল নাদুগী রিফ্যুজি কেম্প ১০৮ তা শ্রী লঙ্কান ৪৮,৮৪৩ লৈখি। অদুম ওইনমক ষ্টেট ওথোরিটিশিংদা রেজিষ্টর তৌরগা কেম্পশিং অদুগী মপানদসু লঙ্কান রিফ্যুজি ৩৪,০০০ রোমসু লৈ। চেন্নাইদা লৈবা শ্রী লঙ্কাগী দিপ্যুটি হাই কম্মিসনরগী ওফিসনা খোঙথাং অদুবু কোওর্দিনেট তৌরিবনি।

কম্মিটি অদুদা শ্রী লঙ্কাগী দিপার্টমেন্ট ওফ ইম্মিগ্রেসন এন্দ ইম্মেগ্রেসন, জষ্টিস মিনিষ্ট্রি, ফোরেন এফিয়র্স মিনিষ্ট্রিগী মীহুৎশিং অমদি রেজিষ্টার জেনরেলগী দিপার্টমেন্টগী ওফিসলশিং য়াওরি।

কুমজা ১৯৮০ গী চহী পরিংগী অঙনবা শরুক্তা সিভিল ৱার অদু হৌবদগী ঈথৎ লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী মশিং য়াম্না ইথনিক মাইনোরিটি ওইরিবা তামিলশিং প্রোটেক্সন অমসুং সেক্যুরিটি ফঙনবগীদমক সাউথ ইন্দিয়াদা চেনখিবনি।

## য়ুক্রেননা হৱাই চেঙৱাই পুবা জহাজ মশিং খ্বাইদগী য়াম্না থাখ্রে

কিভ, সেপ্টেম্বর ৫ (এজেন্সী): য়ুএননা ৱাতেমদুনা হৌখিবা ওগষ্ট ১ দা গ্রেন ইনিসিএটিব ইমপ্লিমেন্ট তৌবা হৌখিবদগী য়ুক্রেননা হৌজিক ফাওবগী ওইনা হৱাই চেঙৱাইশিং পুবা জহাজশিংগী খ্বাইদগী চাওবা কনভোই থাখ্রে হায়না লৈবাক অসিগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

নোংমাইজিং নুমিত্তা ফেসবুক পোষ্ট অমদা মিনিষ্ট্রি অসিনা হায়খি, মদুদি ভেসেল তরুক কিপদেনি থাদোকখি। চোর্নোমোক্সতগী ভেসেল মঙা অমসুং ওদেশাদগী ভেসেল অনী থাখি।

য়ুক্রেননা থা অসিদা চিঞ্জাক্কী পোৎলম টন মিলিয়ন ৮ য়োনবগী টার্গেট থল্লিবনি। আইটেমশিং অদুগী মনুংদা টন মিলিয়ন অহুমদি ঈশিং লন্বীশিংদা সপ্লাই তৌবনি। রসিয়ানা হৌখিবা ফেব্রুৱারীদা য়ুক্রেনদা লান্দাবা হৌখিবদগী থা কয়া ব্লোক তৌখিবা অমদি মদুনা মরম ওইদুনা হৱাই চেঙৱাই টন মিলিয়ন কয়া য়ুক্রেনদগী এক্সপোর্ট তৌবা য়াহনখিদবা ব্লেক সীদা লৈবা লৈবাক অসিগী মরু ওইবা পোর্টশিং মালেম্না মীৎয়েং থম্বা হৌরকখি।

হৌখিবা জুলাই ২২ দা য়ুএননা ৱাতেমদুনা য়ুক্রেন অমসুং রসিয়ানা টর্কিগা লোয়ননা দিল অদু খুৎয়েক পীনখিবনি। দিল অদুগী মখাদা য়ুক্রেনবু ব্লেক সীদা লৈবা মসিগী পোর্ট অহুমদগী চিঞ্জাক্কী আইটেমশিং এক্সপোর্ট তৌবা য়াহনখি। খোঙথাং অসিনা মালেমগী চিঞ্জাক্কী কৈথেলশিংদা লৈরিবা প্রেসর হন্থহনখি।

## নাইজেরিয়াদা গনমেনশিংনা ট্রাবেল্লর কয়া কিদনেপ তৌখ্রে

অবুজা, সেপ্টেম্বর ৫ (এজেন্সী): নাইজেরিয়াগী খা থংবা শরুক্তা ট্রাবেল্লর খরা পুরিবা বসশিংদা এটেক তৌদুনা মীওই কয়া ফাখিবা খুৎলায় পায়বা মীওইশিং থী হুন্বগী ওপরেসন অমা চথবা হৌরে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

ওন্দোদা লৈবা পুলিসকী স্পোক্সপার্সন অমনা টেলিফোনগী খুথাংদা এজেন্সিদা ফোঙদোরকখিবদা খা নোংচুপ থংবা ষ্টেট ওন্দো বেনিন-ও এক্সপ্রেস ৱেদা লৈবা টাউন অমা ওইরিবা ইফোর্নগা নক্ননা থোকখিবা থৌদোক অদুগী ভিক্তিমশিং অদুগী মনুংদা খরদি পুলিস টিম অমনা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল রেস্ক্যু তৌখি।

হৌজিক হৌজিক পুলিসনা অতৈ মীওই কয়া রেস্ক্যু তৌনবা লেপ্তুনা হোৎনরিবা ওইবনা ওপরেসন অদুদা রেস্ক্যু তৌখিবা মীওইশিংগী মশিং চপ চানা হায়বা ঙমদে হায়নসু স্পোক্সপার্সন অসিনা ফোঙদোকখি। ওদুন লান্মীগী মতুং ইন্না গনমেনশিংনা কিদনেপ তৌখিবা কিদনেপ্পরশিং অদুগী চপ চাবা মশিংসু লেপ্পা ঙমদ্রি।

থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংদা মী থন্না তোংবা বস অনী য়ুমথংনরিবা ইদো ষ্টেটতগী ওন্দোদা হল্লকপদা ইর্ফোনদা গনমেনশিং অদু মোঙশোং অমদগী থোরকখিবনি।

ইদোদা লৈরোন চনবগী থৌরম অমদা শরুক য়াখিবা মীওই ৩২ রোম খুৎলায় পায়বশিং অদুনা কিদনেপ তৌখি হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা লোকেল মেদিয়া রিপোর্ট খরনা ফোঙদোকখি।

## ৱেষ্ট বেঙ্কতা ইজরেল্লি লান্মীশিংনা পলেষ্টিনিয়ন অমা হাৎখ্রে

রমালা, সেপ্টেম্বর ৫ (এজেন্সী): নিংথৌকাবা নুমিত্তা ৱেষ্ট বেঙ্ককী সিটি জেনিনগা নক্নবা টাউন অমদা ইজরেল্লি লান্মীশিংগা খুৎ থোক্নবদা পলেষ্টিনিয়ন লান্মী অমা শিখ্রে।

পলেষ্টিনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্‌থনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি মশাগী চহী ১৯ শুরবা টাহের জকরনে কৌবা পলেষ্টিনিয়ন নহা অদু খুৎ থোক্নবদা ইজরেল্লি লান্মীশিংনা নোংমৈ কাপ্পদা ফিভম লূনা শোকপদগী হোস্পিটালদা পুখৎপদা শিখিবনি।

থৌদোক অদুবু উহৌবশিংনা ফোঙদোরকখিবদা জিৱিষ্ট ষ্টেটকী মায়োক্তা চথখিবা এটেকশিংদা চেন্নবগীদমক্তা ইজরেল্লি সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ফাবা পাম্বা পলেষ্টিনিয়নশিংবু ফাননবা ইজরেল্লি আর্মি কাঙবু অমনা য়ুম কয়াদা থোমজিনখিবগা লোয়ননা নাকল অনীগী মরক্তা খুৎ থোক্নরকখিবনি।

ইজরেল্লি রি কনিসন্স দ্রোনশিংদা এরিয়া অদুগী মথক্তা পায়রিঙৈদা পলেষ্টিনিয়ন গনমেনশিং অমসুং ইজরেল্লি লান্মীশিংগী মরক্তা নোংমৈ কাপ্নখি। ইজরেল্লি আর্মিগী স্পোক্সমেন অমনা হায়খি, মদুদি আর্মি ট্রুপশিংনা টাউন অদুদা থিবা হুন্বা চথখি অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্ককী মফম কয়াদগী পলেষ্টিনিয়ন ১৭ ফাখি।

ইজরেল্লি মেদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না নোংমাইজিং নুমিত্তা ৱেষ্ট বেঙ্কতা মরু ওইনা জোর্দান ভেল্লি এরিয়া অমসুং রমালা সিটিগা নক্নবা মফমদা পলেষ্টিনিয়নশিংনা নোংমৈ কাপ্তুনা অমদি বোম পোকখায়হন্দুনা চথখিবা এটেকশিংদা ইজরেল্লি লান্মী ১১ অশোক অপন নঙখি।

## কাবুলদা পোকখায়বদা রসিয়ন এম্বেসিগী ৱার্কর অনী শিখ্রে

কাবুল, সেপ্টেম্বর ৫ (এজেন্সী): নিংথৌকাবা নুমিত্তা অফঘান কেপিটেল কাবুলদা লৈবা রসিয়ন এম্বেসিগী প্রেমিজেসকা নক্ননা পোকখায়খিবগী থৌদোক অমদা মিশন অদুগী ষ্টাফর অনী শিখ্রে হায়না মোস্কোনা ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা কনফার্ম তৌখ্রে।

মিনিষ্ট্রি অসিগী ৱারোল পল্লদুনা রসিয়াগী ষ্টেটনা চল্লাইবা টাস ন্যুজ এজেন্সিনা হায়, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক পুং ১০.৫০ তাবা মতমদা মশক খঙদবা এটেক্কর অমনা কাবুলদা লৈবা রসিয়ন এম্বেসিগী কোন্সুলেট দিপার্টমেন্টকী এন্ট্রিগী মপানদা এক্সপ্লোসিব দিভাইস অমা পোকখায়হনখি।

এটেক অদুদা এম্বেসিগী এমপ্লোয়ি অনী শিখি অমদি অফঘান সিটিজন কয়া অশোক অপন নঙখি। ষ্টেটমেন্ট অমদা কাবুল সেক্যুরিটি দিপার্টমেন্টকী স্পোক্সমেন খালিদ জদ্রানা হায়খি, মদুদি সুইসাইদ বোম্মর অদুনা রসিয়ন এম্বেসি মমাঙদা পুল্লিবা মীয়াম মরক্তা মশাদা য়াওরিবা এক্সপ্লোসিবশিং পোকখায়হন্নবা হোৎনখি। তৌইগুম্বসুং মহাকপু সেক্যুরিটি কাঙবুশিংনা আইদেন্টিফাইট তৌখিবগা লোয়ননা টার্গেট তৌখি। মদুনা মরম ওইদুনা পোকখায়বগী থৌদোক অদু থোকখিবনি।

জদ্রানগী মতুং ইন্না ব্লাষ্ট অদুদা মীওই তরাসু অশোক অপন নঙখি। সেক্যুরিটি পার্সনেলশিংনা এরিয়া অদু কোর্দন তৌখি। ওইরক্লিবা ফিভমগী মতাংদা কাবুলদা লৈবা রসিয়ন এম্বেসিনা ওফিসল ষ্টেটমেন্ট অমত্তা থাদোরকখিদে।